রুপ রাগনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০(ঐচ এন এস) :
মণিপুরগী মমিং লৈরবা শৈশকলোইশিংগী অপূন লূপ রুপ রাগগী মতম কুইনা মেন্বর ওইবিরন্বগী মথক্তা ঈশৈ অমদি দ্রামাগী লম্দা লূপ অসিগী অচৌবা থৌদাং লৌরন্বা শগোলশেম ইন্দ্রকুমারনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা রুপ রাগগী মায়কৈদগী থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। রুপ রাগ, মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি কে বিরকুমারনা থোরকখিবা অৱাবা ফোঙদোকপগী চেরোল অমদা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্লা লৈবা ওইরসনু হায়রি।

মৈ ফংলোই

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০(ঐচ এন এস) :
এম এস পি দি সী এলগী দেপ্যুটি জেনরেল মেনেজর (আই ঈ দি-ফোর) না থোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না থা অসিগী ৩১গী অয়ূক পুং ১০দগী হৌরদুনা নুংথিল পুং ৪ ফাওবা পোলশিং হোংদোক হোংজিন তৌগদবনা ১১ কে ভি পাঙ্গে ফিদরগী কঞ্জ্যমর পূম্নমক হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা মৈ ফংলোই হায়রি।

GAS NEWS

M/s K&K INDANE SERVICE
Booking upto sl.no. 200 A&B of 15/09/2020
Valid from : 10/09/2020
Time : 7.30am to 11.00am

TDK GAS
BOOKING UPTO : 02/09/2020
VALID FROM : 30/08/2020
HOME DELIVERY
ONLY CONTACT NO:
6909614353/8731992324.

M/S BASHIKHONG INDANE
Booking upto : 07/09/2020
Valid from : 02/09/2020
Home Delivery Only....
Contact No: 9089709738, 7005204180, 8787566191
Office Timing: 8.00am to 11.00am
Will be delivered for 3days

KHORIPHABA NAMBOL
Booking upto : 14/09/2020
(Sl. upto 14098)
Home delivery contact :
9366471778/883734974/
9862602880

M/S RANDH INDANE SERVICE IRILBUNG
Only Home Dellivery
Booking Upto : 29/07/2020
Valid from : 19/07/2020
Stock : 306
Time : 8.00am to 12.00noon
Office Contact Nos.
8413936705/8414824977
Booking Contact No. 8132036940

LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING
BOOKING UPTO : 16/09/2020
VALID FROM : 02/09/2020
STOCK : 612
HOME DELIVERY ONLY.
CONTACT NOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423
CALL TIME : 7.00AM T0 10.00AM

CANCHI INDANE SERVICE
BOOKING UPTO : 21/09/2020
VALID FROM : 11/09/2020
19kg AVAILABLE
TIMING : 08.00am to 10.00am

PHAYENG INDANE
Booking upto : 13/10/2020
Valid from : 29/09/2020
Timing : 8.00am to 10.30am

MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING :7:00AM TO 12:00NOON
BOOKING UPTO : 06/09/2020
VALID FROM : 31/08/2020
FOR ALL THANGMEIBAND, LAMPHEL 8131852580, 9774722106, 9089370369
WAHENGBAM LEIKAI, KEISHAMPAT, KEISHAMTHONG, KHAGEMPALLI, KWAKEITHEL, GHARI, SANGAIPROU, CHANGANGEI, MALOM 7630902992
YAISKUL, SINGJAMEI, KAKWA, HEIRANGOITHONG, HAOBAM MARAK, PISHUM, MONGSANGEI, LANGTHABAL 6009689299 FOR SAGOLBAND, TAOBUNGKHOK, PATSOI, YUREMBAM, SAGOLTONGBA, LANGJING, SALAM 7627968997
FOR LANGOL 7085977502
URIPOK, SINGDA, LAMDENG, AKHAM, MAYANG LANGJING 7085198900/8131942156
FOR IMPHAL EAST AREA 7005281388, 6009885600
FOR OTHERS AREA 9612009063, 9862792731, 7628094160
DELIVERY WITHIN 3 DAYS

MAHALAKSMI INDANE GAS
Booking upto : 18/09/2020
Valid from : 19/08/2020
Home delivery only
Cont. Timing - 9.00am to 11.00am
For Office plz cont. # 9862312969 # 8414929709,
For home delivery plz cont. 8414944010, 7005573790, 9366735870,
Booking : After 15 days from delivery.

MAIBIA GAS MOIRANG
BOOKING UPTO: 12/09/2020
VALID FROM: 11/09/2020
STOCK= 306
(HOME DELIVERY SERVICE)
CONTACT NOS. 1. DILIP-9612883295 (MOIRANG A/C). 2. AJAY--7005667570 (THANGA A/C), 3. AMARJIT-9862710469 (KUMBI A/C).BOOKING CONTACT NO. 7085972248.
TIMING--8 AM TO 12 NOON.

‘কোভিদ-১৯ অকিবা ফংনা শন্দোরক্লবসু ইলেক্সন্দা মায় ওনশিন্দুনা লৈথোকখ্রে’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০(ঐচ এন এস) :
কোভিদ-১৯ লাইচৎনা অকিবা ফংনা শন্দোরক্লবা মতম অসিদা চীফ মিনিষ্টরগী ফম কন্নবগীদমক ইলেক্সন্দা মায় ওনশিন্দুনা লৈথোকখিবা অমসুং মীখল অসিগী মীটিং, রেল্লি অমদি কেম্পেন্যনশিংদা মীয়াম পুলহন্দুনা লাইচৎ অসি হেন্না শন্দোকখিনবগী মায়কৈরোমদা মায় ওনশিন্দুনা লৈবসি লাইবক থীবনি। ৱাফম অসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা কংলৈ ইন্দিজিনস মার্সিএল আর্ট এন্দ কলচরেল সোসাইটি (কিমাক্স) কী সেক্রেটরি (পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন) লাইশ্রম সৈত্যমজিৎ মীতৈনা থোরকখিবা চেরোল অমনা হায়বনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি কম্যুনিতি ত্রান্সমিসনগী থাক্তা খোঙজেল য়াঙনা শন্দোরক্লবা মতম অসিদা লৈঙাক্লা ঐখোয়গীদি পান্বে লৈত্রে হায়দুনা চেনখিবগী ফীভমদা লৈরে। লৈঙাক্লা লাইচৎ অসি থেংননবগী চপ চাবা পোলিসি শেমদে। লাইচৎ অসি থেংননবগীদমক মথৌ তাবা থবক অমত্তসু লৌখৎতে। ম্যেন পৱার অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপগী থবকসু মপূং ফানা ফেল ওইরে হায়রি।

লাইচৎ অসিগী লুরবা তানফম অসিদা মহৈরোয় লূপ ৬না লমদমসিদা কোভিদ-১৯ লাইচৎ থেংননবগীদমক ৱারোল ১২গী দিমান্দ অমা লৈঙাক্লা থবক ওইনা পাঙথোক্লবগীদমক পুখৎলকখিবা ৱাফম অসি কিমাক্সনসু শৌগৎলি হায়রি। হায়রিবা ৱারোল ১২বু থবক্তা ওন্থোক্লবগীদমক খূথাং চরা হেনবগী খোঙজং অসি মীয়াম পূম্নমক্লসু ৱাখল তানা শৌগৎফম থোকই হায়রি।

‘সেকমাই এ সী ফোর বি জে পিগী ৱাখল্লোন লৈরসি’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০(ঐচ এন এস) :
সেকমাই এ সীদা লৈরিবা বি জে পিগী ৱর্কর খুদিংমক্কী ৱাখল্লোন্দা সেকমাই এ সী ফোর বি জে পি হায়বা ৱাখল্লোন অসি লৈরসি হায়না এ সী অসিগী এম এল এসু ওইরিবা লেবর বোর্দকী চ্যেরপর্সন হৈখাম দিঙ্গোনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি বি জে পি সেকমাই মন্দলগী অনৌবা ওফিস অমা লোইতাং খুনৌদা হাংদোকপগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা এম এল এনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লিচিং মখাদা লৈবাক শীনবা থুংনা ঙসি ফাওবদা ৱারবা কোভিদ-১৯গী পেন্দমিক মতমসিদা নবেম্বর ফাওবগী চেঙশিং য়ূমথোং খুদিংদা লেম্না ফংহল্লকপদা মালেমগী লুচিংবশিংনা প্রাইম মিনিষ্টরবু থাগৎলি। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লৈঙাক মখাদা মণিপুর ঙসিদি অনৌবা মণিপুর অমা ওইরে। চীং-তম নুংশিনরে। শেল খরবু য়াওরবদি লমহাংদা তাদুনা হেক্তা লৈরম্বগী থৌদোকশিং ঙসিদি ফুঙ্গা ৱারী ওইনা লীনবা হৌরক্লে। মসিমক চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংলিবা লৈঙাক অসিগী হোৎনজমননি। অকি অখং লৈতবা, ইন্দিফিনিট ইকনমিক ব্লোকেদ লৈতবা লৈঙাক অমা মতম পূম্নমক্তা লৈহনবা মীয়াম্না পাল্লবদি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা বি জে পিগী চুংশিন্নবা লৈঙাক অসি লৈহনবা তঙাইফদে হায়খি।

মরম অদুনা লাক্কদৌরিবা বাই ইলেক্সন অসিদসু বি জে পিগী মীরেপশিংদা ভোট পীবিদুনা পার্টি অসিনা লুচিংলিবা লৈঙাক অসিবু হেন্না মপাঙ্গল কলহল্লসি হায়খি।

থৌরমসিগী শরুক অমা ওইনা হন্দক্তা গ্লোবেল কোরোনা ৱরিয়র এৱার্দ ফংলকপগীদমক এম এল এবু লেংয়ান ফি য়ান্দুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা ষ্টেট বি জে পিগী সঙ্গথন মন্ত্রি পি প্রেমানন্দ মীতৈনা বি জে পি সেকমাই মন্দলদা এম এল এ অসিগী অচৌবা সপোর্ট অমসুং এ সী অসিগী অপূনবা জিল পরিষদ অমদি প্রধানশিংগী য়াওনা লমদম অসিগী মীহুৎশিংনা সপোর্ট তৌরকপা উবদা অপেনবা পোকই হায়খি।

থৌরমসিদা বি জে পি সেকমাই মন্দলগী প্রসিদেন্ট এন নাওবীনা এ সী অসিদা বি জে পিগী অকনবা শাফু লৈবা মন্দল অমা ওইহনগনি হায়খি। লোয়নননা বি জে পি মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্ট এ সরদা, এন নিম্বস, পি ঐচ ফোনি মৈতৈ, দিষ্ট্রিক্ট প্রসিদেন্ট ইম্ফাল ৱেষ্ট, বি জে পি সেদ্যুল কাষ্ট মোর্চাগী এন জি রঘুমনি, ময়াং লাংজিং জি পিগী কে সোহদেব, খুরখুল জি পি, কংলাতোংবী জি পি ফুমলৌ, লাইরেনকাবী কদাংবন অমসুং ফয়েং জি পিগী প্রধানশিংসু শরুক য়াখি।

চকপা ফাইনান্সকী ষ্টাফশিংনা মরী লৈনবা ওথোরিটিগী মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০(ঐচ এন এস) : ইম্ফালগী উরিপোক খুমন্থেম লৈকায়দা হেদ ওফিস ওইরিবা চকপা ফাইনান্সকী মেনেজর খোইস্নাম থোইথোই অপোকপা কে ঐচ কেসোনা ফাইনান্স অসিগী ব্রাঞ্চ ৮গী ষ্টাফ ৫০দগী মীকোক্তা লুপা ১২,৫০০ রেজিষ্টর তৌনবগীনি হায়দুনা মমাঙগী কুমজা ২০১৯গী দিসেম্বর ৯দা খোমগৎখিবগী মথক্তা ষ্টাফশিং অসিদা লোন পান্বা মীওইশিংদগী লোন পীনবগীদমক লুপা ১,৩০০ পীবা ফোর্মশিং পীদুনা পূন্না য়াল্লবা লুপা লাখ ৭২ রোমগী শেনফমশিং খোমগৎখি হায়রি।

থৌদোকশিং অসিগী মতাংদা ফাইনান্সিএল বোদি অসিগী এসিষ্টেন্ট মেনেজর খুমন্থেম লময়ানবা অমসুং একাউন্টেন্ট সঞ্জুনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মতুংইন্না লোন পীগনি হায়দুনা লুপা ১,৩০০ পীবা ফোর্মশিং থাগৎনরকখিবা লোনিশিংদা অহানবগী ওইনা মখোয়গী বেঙ্ক একাউন্টশিং চ্যেক তৌবগীনি হায়দুনা লোনগী শেনফমদগী লুপা ১,৪৪৯ পীবা হৌখি। অদুগা অহানবগী ওইবা লোনগী শেনফম অসি মহাক্না রিকোভর তৌবদনা প্রোসেসিং চার্জ লুপা ১২৫ অমসুং জি এস টিগী লুপা ২৬ হাপকৎলগা লুপা ১,৬০০ রোম খোমগৎখি হায়রি।

মসিগী মতুংদা লোনিশিংগী অনীশুবা ফেজগীনি হায়দুনা মীওই খরদা লোন পীবা হৌরবা মতুংদা মেনেজর মশানা সেকেন্দ ফেজগী লোন অদু পীরুরনু মদুগী মহুত্তা অচৌবা লোন ওইনা পীরগে হায়রকপদগী পীবা লেপখি। মসিগীদমক লোন ইনক্বারি টিম শেমদুনা ভেরিফাই তৌখি। অদুগা ব্রাঞ্চ খুদিংমক্কী ষ্টাফশিংনা লোনিশিংগী য়ূম য়ূমদা চৎহন্দুনা ইনক্বারিসু তৌহনখি হায়রি।অদুম ওইনমক ইনক্বারি লোইরবা এপ্লিকান্টশিংদা পীফম থোকপা লোন পীননবা হায়রুবা মতমদদি মেনেজর ওইরিবা কে ঐচ থোইথোইনা নাথৈবা হৌরকপদগী লোনিশিংগী মরক্তগী লোন পীগনি হায়দুনা লৌশিনখিবা ফোর্মগী মমল হন্দোক্লবা হায়রকপসু য়াওরকখি হায়রি।

মসিদা মেনেজর মশানা লোনসু পীবা ঙম্লরোই অদুগা ফোর্মগী মমলসু হন্দোক্লরোই হায়রকপগী মহাক্কী মথক্তা লোনি ওইগদবা খরনা রিপোর্ট তৌরকপদগী পুলিসনা ফাজিনখিবনি হায়রি। মরম অসিনা থৌদোকশিং অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা চকপা ফাইনান্সকী ষ্টাফশিং অমসুং লোনি ওইগদবশিংগী য়েংলগা অথুবা মতমদা অকনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু কে ঐচ লময়ানবা অমসুং সঞ্জুনা ফোঙদোরকখি।

য়ুঙৌ, বিয়র অমদি য়ুঙাং ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০(ঐচ এন এস) :
মরক্কী মীখল অসিগা মরী লৈননা ঈ সী আইনা পিরকপা পাউতাক অমগী মতুংইন্না ইনফোর্সমেন্ট টিম থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট এক্সাইজ, ইম্ফাল ৱেষ্ট ইনফোর্সমেন্ট টিম অমদি এক্সাইজ হেদ ক্বার্তরগী দি এস পি আর কে সনাতেম্বীগী অপূনবা টিমনা ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা কক্চীং লমখাইদা হাংলিবা চাক হোটেলশিংদা দ্রাইভ চথবদা য়ুঙৌ, বিয়র অমদি য়ুঙাং কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়রি। ফাগৎলবা য়ুঙৌশিং অদু কন্মিস্নর এক্সাইজদা ফাইন থিহল্লবা মতুং মাঙহনখ্রগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট ইনফোর্সমেন্ট টিম থৌবালগী নোদল ওফিসর ইন্সপেক্টর এস নিলকুমারনা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মীখল লোইদ্রিফাওবা চথখিগনি হায়রি।

‘মণিপুরী শৈরেংগী নুমিৎ লান্না উহন্নবা হোৎনবা লাইবক থীবনি’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০(ঐচ এন এস) :
কুমজা ২০১৭তগী ফিক্সন এন্দ পোইত্রি ক্লব, মণিপুরনা ‘মণিপুরী শৈরেংগী নুমিৎ’ হায়না পাঙথোরক্লিবা অসিগী মতাংদা মীওই অমনা মীদিয়াদা য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লিবসি য়াম্না লাইবক থীবনি হায়না ফিক্সন এন্দ পোইত্রি ক্লব, মণিপুরগী প্রসিদেন্ট বুধিচন্দ্র হৈস্নাম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মণিপুরী শৈরেংগী নুমিৎ অসি লমদমসিগী শক্লাইরবা অইবা-অইবী অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী অখঙ অহৈ ওজা কয়াগা মতম য়াম্না চঙনা কূপ্না নৈনরবা অমসুং তানরবা মতুংদা মেরাগী পুর্নিমা নুমিৎতা পাঙথোক্লবা লেপখিবনি হায়রি। নুমিৎ অসিদা থৌরম অসি পাঙথোকপনা খ্বাইদগী মরম চাবা নুমিৎনিসু হায়রি।

মণিপুরী শৈরেংগী লম্দদি ডা. কমলগী ‘লৈ-পরেং’ কৌবা লাইরিকসিনা সাহিত্যগী মগুন চপ চানা চেল্লবা, মপূং ফারবা, মরূ চঙলবা শৈরেংগী ইহান হানবা লাইরিক ওইরি। অইবগী লাইরিক্কী ৱাহৌদোক অসি কুমজা ১৯২৯গী মেরাগী পুর্নিমা নুমিৎতা ইবিরন্মী। লাইরিক অসিনা মপূং ফারবা শৈরেংগী অহানবা লাইরিক ওইবদা নত্তনা মেরাগী পুর্নিমা নুমিত্তা লাইরিক্কী মরূ ওইবা ৱাহৌদোকসু ইবিরন্বা মরম্না অমদি ঐখোয়গী খুন্নাইসিগী মরূ ওইবা থৌদোক কয়াগসু শাগোন্নরিবা মেরাগী পুর্নিমা নুমিৎসিদা মণিপুরী শৈরেংগী নুমিৎ অসি পাঙথোক্লবা লেপ্নখিবনি হায়রি।

মতম অদুদা মীয়াম পুন্দুনা লাইরিক ফোঙবগী চৎনবী ইরৈ লৈতবনা লাইরিক অদু করন্বা কুমজাগী করি নুমিৎতা ফোঙখিবগে হায়বদুসু চপ চানা খঙবা ঙমদবনা লাইরিক অদুদা ৱাহৌদোক ইবগী চহী অমদি নুমিৎ পল্লন্বদু য়েংলগা অইবা রেকোর্দ ওইনা চপ চানা লৈরবা নুমিৎ অসিদা মণিপুরী শৈরেংগী নুমিৎ অসি পাঙথোক্লবা লেপ্নখিবনি হায়রি।

লাইবক থীবদি হন্দক ইখঙ খঙহৌদনা তাকপী তন্বীবগী থবক তৌবনি হায়বা মীওই অমখক্লা নুমিৎ অসি লাল্লি হায়না ফোঙদোরক্লে। লাল্লি হায়বগী মরম খরসু পীরক্লে। থৌওং অসি খোরিরোলগী লূপ অমনা মসিগী সর্কলদা লৈমিন্নরিবা অইবা-অইবী কয়াগা লোয়ননা চহী ৩ চূপ্না পাক শন্না পাঙথোরক্লবা, হন্দক চহীগীনা ৪রকশুবা থৌরম পাঙথোক্লমদাই মীৎকুপ অসিদা য়াম্না থাজদবা মওংদা অতম্মনা নুমিৎ অসিবু য়ৈখাই থিনগাইবা থোকহন্নবগী মওংদা চথরকপা থৌওং অমনি হায়না লৌদবা ঙমদে হায়রি।

হৌখিবা চহী ৪ অসিদা মীওই অসি কদাইদা করি তৌদুনা লৈরুবগে। শৈরেংগীদমক অঙন্বা থাক্তা থবক তৌরিবা খোরিরোলগী লূপ অমনা লৈবাক মীয়ামগা লোয়ননা পাঙথোক্লিবা থৌরম অমবু মীদিয়াগী খূথাংদা লান্না উহন্নবা চথরক্লিবা থৌওং অসি লৈবাক মচা তাদবা থৌওংনি হায়না লৌই। মসিগী মতাংদা পাউমীশিং কৌদ্রিঙৈদা ক্লবতা হান্না পাউ পীরক্তুনা অচুম চুমদা থিমিন্নরল্লবদি লৈবাক মচা তাই হায়রমগদবনি হায়রি। অদুবু থৌওং অসিদি সোল্যুসন পুরকপা পামদবা, ৱাথোক থোকহন্নবা হোৎনবনি হায়না লৌই। মসিগী মতাংদা লোগী থোঙদগী দিফেমেসন চার্জ তৌরোইদবগী মরম লৈতে হায়রি।

ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী লেবরশিংগী খোঙজং মতম খরগী হন্দোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০(ঐচ এন এস) :
মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলশিংগী ৱার্দ দিভলপমেন্ট কন্মিটিগী স্কিল্ড অমদি অনস্কিল্ড লেবরশিংগী থা ১৫/১৬কী খূৎশুমল পীথোকপীয়ু হায়না মশাগী শিন্থা লেপ্পা য়াওনা কাউন্সিল ওফিসশিং থিংজিন্দুনা ওফিসকী ম্যেন গেটতা ফমজিন্দুনা চথরকখিবা ৱাকৎ খোঙজং মতম খরগী ওইনা হন্দোক্লে হায়না ওল মণিপুর ৱার্দ দিভলপমেন্ট কন্মিটিগী স্কিল্ড অমদি অনস্কিল্ড লেবর এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি নাওবোই হেমামনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, খোঙজং মতম খরা হন্দোকপগী ফীরেপ অসি মণিপুর লৈঙাক্কী মাহুদ মিনিষ্টর ওক্রম হেনরিগা ঙসি এসোসিএসনগী মীওইশিংগা উনরুরবা মতুং মিনিষ্টরনা থাজবা পীরকপদগীনি। মিনিষ্টরনা থাজবা পীরকখিবা অসি অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোকপীরক্তুবদি মখা তাবা অকনবা খোঙজংশিং চঙশিনগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, ওল মণিপুর ৱার্দ দিভলপমেন্ট কন্মিটি স্কিল্ড অমদি অনস্কিল্ড লেবর এসোসিএসন্না থা অসিগী ২১দা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা মীফমদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট অমদি লৈঙাক্লা ৱার্দ দিভলপমেন্ট কন্মিটিগী লৈরিবা থা ১৫ অমদি কাউন্সিল খরগীনা থা ১৬কী খূৎশুমল পীথোক্তনা লৈরিবা অসি থা অসিগী ২৭ ফাওবগী মনুংদা পীথোকপীনবা হায়জরকখিবনি। অদুম ওইনমক লৈঙাক্লা অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা তাবীদবদগী ঙরাংদগী হৌনা খোঙজং চঙশিনবা হৌখিবনি।

অমরোমদা, খোঙজং অসিগা মরী লৈননা ঙরাং নুমিদাং ককচীং বজারদা লম শিৎপা মীওইশিংনা লম শিৎলিঙৈদা ৱার্দ দিভলপমেন্ট কন্মিটিগী মীওইশিংনা অথিংবা পীদুনা থবক লেপহনখ্রে হায়রি।

থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

থৌবাল, ওক্টোবর ৩০(ঐচ এন এস) :
হৌজিক হৌজিক মালেমগী লায়না-লাইচৎ অমা ওইরিবা কোভিদ-১৯না মীওই কয়া অশি-অনা থোকহন্দুনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবা অসিদগী কনবা ঙম্নবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এস পি ডা. এস ইবোমচা, এম পি এসতা কোভিদ কন্ত্রোল কিটস খরা য়েন্থোকপীনবা হায়জবদা এস পি মশামক্না এসোসিএসন্দা ঙসি ফেস মাস্ক ২০০, হেন্দসেনিটাইজর ১০০ তেংবাঙবীরকপগীদমক এস পিবু থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়না এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি। অসিগুম্লবা আইটেমশিং অসি মথৌ পাঙথোক্লিবা পুলিস অমদি ভি দি এফ পর্সনেলশিংদা ঙসিদগী য়েন্থোকপা হৌরগনি। মখা তানা এস পিনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈরিবা পুলিস পর্সনেল অমদি ভি দি এফ মেম্বরশিংগী য়াইফনবা থবক থৌরম কয়া মায় পাক্না পাঙথোকপা ঙমহনবীসনু হায়নসু মপুদা থৌনিজরি হায়রি।

এম এল এ রাধেশ্যামগী মীৎয়েং মখাদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

থৌবাল, ওক্টোবর ৩০(ঐচ এন এস) :
হৈরোক এ সীগী মনুং চনবা পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৩৩/৩৬কী এরিয়াদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা য়াওরকপদগী কন্টেনমেন্ট জোননি হায়দুনা লাউথোকখ্রবা মফম অসিগী ইমুং ৫০ হেনবদা ঙসি এ সী অসিগী এম এল এ ডা. থোকচোম রাধেশ্যামগী মীৎয়েং মখাদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা হৈরোক পার্ট থ্রী জি পিগী প্রধান নিংথৌজম তাংবা, হৈরোক কেন্দ্র বি জে পি মহিলা মোর্চা অমদি পোল্লিং কন্মিটিগী মীওইশিংনা শরুক য়াখি।

পোৎলমশিং য়েন্থোকপদুদা য়াওখিবা কন্মিটিগী থৌমী মোইরাংথেম তোম্বনা ফোঙদোকখিবদা এম এল এ অসিগী মীৎয়েং মখাদা রিলিফ কন্মিটিনা এ সী অসিগী কন্টেনমেন্ট জোনশিংদা তেংবাঙ পীরকপগী মখা চথরকপা ওইনা ঙসিগী পোৎলমশিং অসি য়োন্থাকপনি। থবক অসি মখা তানসু পাঙথোকখিগনি হায়বগা লোয়ননা মীয়াম্না এস ও পি ঙাক্লা চৎপীয়ু হায়রি।

অমেস্কোনা মেরা হৌচোংবগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০(ঐচ এন এস) :
মহৌশাগুম্না কুমসিগীসু মেরা হৌচোংবগী থৌরম লাকপদা ওল মণিপুর ইথনিকেল সোসিও-কলচরেল ওর্গনাইজেসন (অমেস্কো) গী মায়কৈদগী মাঙজৌননা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

ওর্গনাইজেসন অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি মেরুং দাংশৱাগী চেরোল অমনা হায়, চীংমী তন্মী অনীগী মচিন মনাও ওইবগী ঈগী মরী থিদুনা অৱা-নুংঙাইগী ৱারী লীনবা মেরা হৌচোংবগী থৌরম অসি লমদমসিগী পুৱারীগা শাগোন্নরকপা য়েলহৌমীশিং ওইরিবা চীংমী তন্মী মচিন মনাও অনীগী নুংশি ৱারীশিংনা য়োল্লবা কুম্মোনি হায়রি।

কুম্মো অসিনা চীংমী তন্মী অনীগী মচিন মনাও ওইবগী নুংশি ৱারীশিংবু হঙ্গৎনা য়েংদুনা য়েলহৌঙৈদগী অপূনবগী শক্তম শাগৎতুনা লাকখিবনি। হৌজিকসু কুম্মো অসিনা লাকপদা ঐগী ঐগী ইচিন ইনাওনি, ঈগী মরী ইমা অমত্তগী মচানি, ঐখোয় কায়নবা য়ারোই, ইচিন ইনাওনা অমত্তা ওইনা লেপ্পুনা অপূনবগী শক্তম শাগৎকদবনি হায়না অচেৎপা ফীরেপ অদু লৌহন্দুনা লমদমসিদা ঙসি ফাওবা লৈমিন্নরক্লি হায়রি।

অদুবু কুমসি চহীগী ওইনদি মালেমগী ওইনা অকিবা ফংনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্লা মরম ওইরগা মেরা হৌচোংবগী কুম্মো অসি পাঙথোকচররোই হায়রি। মরম অসিনা কনাগুম্বশিং নৎত্রগা ওর্গনাইজেসনশিংনা পাঙথোকপা মফমশিংদসু শরুক য়াবা নৎত্রগা খুদোল পোৎনচিংবা পীনবা চৎলরোই হায়রি। অদুবু কুম্মো অসিনা লাকপদা লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা য়েলহৌ ফুরুপ খুদিংমক মচিন মনাও ওইবগী নুংশি লংলানা চেৎনা কিদুনা ঈংনা-তপ্না, লৈবাক মরা তানা পানবা লমদম অমা ওইরসনসু হায়না অমেস্কোগী মায়কৈদগী য়াইফ পাউজেল অসি পূম্নমক্কী মফমদা পীজরি হায়রি।

মরি লৈখিদ্রে, ২২১না পোজিটিভ ...

লামায় ১গী মখা... মেদিসিটিদা ৩, সী এম সীদা ২, কামজোংদা ২, বিষ্ণুপুরদা ৪, থৌবালদা ১, মাদরস ক্যেরদা ২, সেনাপতিদা ২, ইসেন্ট দাইগ্নোষ্টিক্সতা ৩, ককচিংদা ৮, জিবন হোস্পিটালদা ২, চুড়াচান্দপুরদা ১১, সমারিতন হোস্পিটালদা ১, স্বিজ ক্লিনিক্তা ১, খৃষ্টিয়ন হোস্পিটালদা ৩, চান্দেলদা ৫, জিরিবামদা ৩, তমেংলোংদা ৩৪ অমসুং ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সতা ২১ থেংনখিবনি। জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৪৯, ইম্ফাল ইষ্টতগী ৩৯, থৌবালদগী ৩২, তেংনৌপালদগী ৪, কাংপোকপীদগী ২, কামজোংদগী ২, উখ্রুলদা ২, বিষ্ণুপুরদা ৯, ককচিংদা ১১, সেনাপতিদা ১, চুড়াচান্দপুরদা ১৪, তমেংলোংদা ৩৫, জিরিবামদা ১ অমসুং চান্দেলদা ৬ য়াওরি। মীওইশিং অসি মণিপুরগী মপান্দা চৎলুদবা ঙাক্তনি। মখোয় কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিদা থমখিবগা লোয়ননা কন্টেক্ট ট্রেসিংগী থবকশিং পায়খৎলি। নৌনা পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসি থারগা মণিপুরগী অপূনবা কেস মশিং ১৮,২৭২ শুরে। কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ১৫,৫২৬ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ২৭৬৪ নি। লায়না-লাইচৎ অসি নারস্নবদগী ফগৎলক্লবা কেস মশিংনা ১৩,৮০৫ নি। ফগৎলক্লবা কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ১১,৩৬৭ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ২৪৩৮ নি। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৭৫.৫৫ ওইরি। অদুগা হৌজিক হৌজিক কেস ৪৩০৩ না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৩৯৯৯ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৩০৪ নি। অদুগা মীওই ২২২ সু লায়না অসি নারস্নবদগী ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখ্রে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কোভিদ-১৯ ...

লামায় ১গী মখা... পায়খৎলি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা হেল্থকী এদভাইজর টু সী এম ডা. সাপম রঞ্জন, হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ভি ভুমলুনমাং, তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিং, অঙ্গনৱাদি ৱর্করশিং, আশা ৱর্করশিং, এ এন এম ৱর্করশিং অমসুং দ্রাইভর এসোসিএসনশিংগী মীহুৎ কয়াসু শরুক য়াখি।

এম য়ু অমসুং দি এম য়ুগী সিট মশীং...

লামায় ১গী মখা... লৈশাংথেম লময়ানবনা হায়খি, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমসুং দি এম য়ুনিভর্সিটিগী হান্না লৌরন্বা ইন্টেক্ট সিট অসি হেনগৎহনবদা মথৌ তাবা ম্যেন পাৱর, ইনফ্রাষ্ট্রকচর মেনেজমেন্টনচিংবা মথৌ তাবা থবক থৌরমশিং অখন্নবা ওর্দিনান্স অমা পাস তৌদুনা চৎনহল্লু। মদু নৎত্রবদি মহৈরোয় কয়া লাইরিক তম্বা ফংদবদগী পুন্সি মাঙবগী ফীভমদা লৈরে। তোঙান-তোঙানবা কোলেজশিংনা পোষ্ট গ্রেজ্যুয়ট (পি জি) কোর্সশিং হাংজগে হায়রিবশিংসু কোভিদকী অখন্নবা কেস ওইনা অয়াবা পীরগা মহৈরোয় কয়াবু পি জি তম্বা ফংহল্লু। কোভিদ মরকসিদা তোঙান-তোঙানবা মহৈশঙশিংদা চথরিবা এদমিসনগী থবক থৌরমশিংদা মওং-মরিল তাদবা কয়া থেংনরি। খুদম ওইনা এস সী ঈ আর টিগী দি আই ঈ টিতা মিং চনগদবশিং সেলেক্সন লিষ্ট থোক্তনা মিং চনবা লোইরক্লে। দি এম সী টি ঈগী এম ঈ দি লৌবদা এন্ট্রান্স তৌরোই হায়রি। মসি এন সী টি ঈগী নোর্মসতা শুংয়ামক য়াদবা অমনি। মরম অদুনা হীরম অসিদসু মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা অকনবা মীৎয়েং চঙগদবনি। দি এম কন্মর্সকী মিং চনবদা নাখৈ শেংনা ক্লাস এলেবেন, টুয়েল্বতা কন্মর্স ষ্ট্রিমদা তমজরকপশিং মিং চনবা ফংলোইদবগী ফীভমদা লৈরে। মসিগী মরমদি সাইন্স অমসুং আর্টসকা পুনশিন্দুনা মার্ক বেসিসতা য়েংলকপদগীনি। মরম অদুনা দি এম কোলেজ কন্মর্সকীসু কন্মর্স ষ্ট্রিমগী মহৈরোয়শিংগীদমক অখন্নবা মার্ক ৱেটেজ পীগদবনি। মাগী মাগী ষ্ট্রিমদা লাকপা মহৈরোয়শিংদা অখন্নবা প্রিফরেন্স পীদুনা ৱেটেজ পীগদবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

চহী অহুম মখায় অসিদা বি জে পি ...

লামায় ১গী মখা... মফম খূদিংদা কোংগ্রেসনা চহী ১৫ লৈঙাক্লিঙৈদা করি করি তৌখ্রে হায়না ঙাং-শক্লিবা অসি নোক্লিংই। কোংগ্রেসনা করি তৌরম্মী হায়বদি মীয়াম্না খঙনরবা ঙাক্তনি। বি জে পি লৈঙাক্লা চহী অহুম মখায় অসিদা মশক থোকপা করি তৌখ্রবগে হায়বদু খুৎ থিন্দুনা তাকপা বি জে পিনা ঙম্লোই। দিমোক্রেসিবু ফাগী ওইনা খনবা চোংথোক-চোংশিন্দা ঈকায়বা মচেৎ অমত্তা খঙদ্রবা এম এল এ খরনা হন্দক্কী বাই-ইলেক্সন অসি তৌহনবনি। মশাগী ওইজবা খরা ফংননবা মীয়াম্বু অপংবনি খন্দুনা পংহায়দা হায়জিল্লগা এম এল এ ফম থাদোক্লে হায়রগা পাৱর পায়বা পার্টিদা য়াওদুনা মীরেপ ওইরি। থৌওং অসিদি মাগী মাগী কনষ্টিট্যুএন্সিগী মীয়াম্বু লল্লোনপোৎকুম য়োনবনি। পাউনম ব্রোজেননা বি জে পিদা চোংশিনখিবা অসি বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি লৈরকপা থা ৩ ফাদ্রিঙৈদনি। চহী ৩ লোম লৈঙাক অসিদা শৌগৎতুনা লাক্লবা মহাক্না ৱাংজিং-তেন্থা এ সীদা করি করন্বা অনৌবা প্রোজেক্ট অমত্তা মীয়ামগী য়াইফননবা পুরকখ্রবগে। হৌজিক এ সী অসিদা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিং অসিদি কোংগ্রেসকী মতমদা পায়খৎলন্বা ঙাক্তনি। মীয়াম্নসু কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইরিবা মোইরাংথেম হেমন্তদা ভোট পীবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পোলিটিকেল কনফরেন্স অদুদা শরুক য়াখিবা এম এল এ কে রঞ্জিৎনা হায়খি, চহী ১৫ কোংগ্রেসনা লৈঙাক্লিবা মতমদা হৌজিক হৌজিক চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা এন বিরেনসু মিনিষ্টর ওইরম্লিবনি। অদুগা কোংগ্রেসনা মীয়ামগী য়াইফনবা অমত্তা তৌরমদ্রে হায়না চীফ মিনিষ্টরনা মীয়ামদা ওইদবা ৱা ঙাংগনু। ইম্ফাল মনুংদা ফুটব্রিজ খরা শারগা, চীংগী মফমশিংদা কৈথেল মচা অমমম শারগা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং য়াম্না পায়খৎলে হায়না লাউরিবা অসি ঈকায়নিংঙাইনি। কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা মীয়ামগী ইহুল খঙনা কংলাগী অসাম রাইফলস লৌথোকখিবা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিবু সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি ওনখিবা, এসেম্বলী সেগমেন্ট তরেৎতগী অফস্পা লৌথোকখিবা অদু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমসুং বি জে পিনা কাউবীরবসু নীংশিংবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এম এল এ দি কোরুংথাং, এম এল এ ওক্রম সূর্য্যকুমার, মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কন্মিটিগী প্রসিদেন্ট এম ওকেন্দ্রো অমদি এম পি সী সীগী মশক নাইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

কোর্টকী জজমেন্টকী মতুংইন্না ...

লামায় ১গী মখা... শেনফমশিং লান্না শীজিন্নরে হায়দুনা হায়কোর্টতা ৱাকৎলকখিবা পিটিসনরশিং অদুনা ওল ত্রাইবেল দিসএবল্ড য়ুনিয়ন মণিপুরগী ৱর্কিং প্রসিদেন্টসু ওইরিবা তেংনৌপলগী কন্বাং খুনৌদগী মোমো তাতাঙ্গা (৩০), অপোকপা লৈখিদ্রবা কে এস ঐচ অংথা, চ্ছাদকী নিংথি ভিলেজদগী এ এস নিংপেন (৩১), অপোকপা এ এস মরিংথুই অমসুং কাংপোকপীগী সাইলেন্ট ভিলেজদগী হোপসন মচিনাও (৪৪), অপোকপা লৈঙাই এম সীনি। অদুগা কেস অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংনা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদা মিনিষ্ট্রি ওফ ইনভাইরনমেন্ট, ফোরেষ্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জেজগী সেক্রেটরি, মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি অমসুং কন্মিস্নার (ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট)নি হায়রি।

চীফ জষ্টিস রামালিঙ্গম সুধাকর অমসুং জষ্টিস এম ভি মুরালিধরনগী দিভিজন বেঞ্চনা থা অসিগী ১৪ দা পীখিবা জজমেন্ট অদুনা কোর্টকী ওর্দরশিং মণিপুর পুন্বদা চৎনরগনি হায়খিবগা লোয়ননা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা উ থাবগী ফোটো খরদা য়ুম্ফম ওইদুনা হায়রকপনা য়ারোই। উ থাবগী থবকশিং অদু পরম চুম্না তৌরিব্রা নৎত্রগা তৌদবরা হায়বগী মতাংদা মশক থোক্লা খঙদোক্লবা রেগ্যুলর মোনিটরিং তৌননবা খঙহনখিবনি। লোয়ননা করিগুম্বা উ চারাশিং থাবগী থবক পাঙথোক্লগনা স্কিম অসিগী মতুংইন্না পীরক্লিবা ষ্টেন্দর্দ অদু য়ৌনা থারব্রা হায়বদুগী মতাংদসু কম্পিটেন্ট ওথোরিটিনা প্রোপর ওদিটিং তৌগদবনি হায়নসু খঙহনখিবনি।

কোর্টকী ওর্দর অদুদা করিগুম্বা কম্পা স্কিম অসি লান্না শীজিন্নরম্বা থোক্লবদি হৌজিক মালেমগী ওইনা মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী মতুংদা ইনভাইরনমেন্ট, ফোরেষ্ট অমসুং ইকোলোজিগী ফীভম হস্থহল্লক্কদৌরিবনি হায়বা ৱাফমসু কোর্টনা ফোঙদোকখি। লোয়ননা স্কিম অসিগী মতাংদা অচৌবা অশোয়বশিং লৈরল্লবদি মদুগীদমক থবক লৌখৎনবসু কেস অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংদা দিরেক্সন পীখি। কোর্টকী ওর্দর অসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা পি আই এল অসিগী পিটিসনরশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল অসিনা রেস্পোন্দেন্ট অহুমমক্তা লিগেল নোটিশ অদু থাখিবনি হায়রি।

মেরা হৌচোংবগী ...

লামায় ১গী মখা... মণিপুরদা তোঙান-তোঙানবা কাঙলূপ কয়া পূন্না খুন্দামিন্নরকই হায়বা মেরা হৌচোংবগী থৌরম্না ময়েক শেংনা উৎলে। নুমীৎ অসিনা লাকপদা চীং অমদি তমদা খুন্দারিবা মীওইশিংগী মরক্তা অচেৎপা মরী পুরকপা ওইরসনু হায়নসু চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দ, ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎ, সোসল ৱেলফ্যের মিনিষ্টর ও হেনরি অমদি সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর টি ঐচ সত্যব্রতনা থাদোরকখিবা য়াইফ পাউজেল পীবগী চেরোলশিং অদুনা মেরা হৌচোংবনা লাকপদা লমদমসিদা লৈমিন্নরিবা য়েলহৌ ফুরুপশিংগী মরক্তা নুংশি-চান্নবা, ঈং-তপ্না, অমত্তা ওইবা অমসুং মচিন-মনাও ওইবগী মরী হেন্না চেৎশিনবা পুরকপা ওইরসনু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

পাঙ্গৈগী ফোরেন্সিক ...

লামায় ১গী মখা...

পনবা য়াবদি, এফ এস এল, পাঙ্গৈগী দিরেক্টরগী অইবা চেরোল অদু থা অসিগী ১২ দা হায়কোর্টনা মঙোন্দা থা অসিগী ৬তা ইখ্রিবা চেরোল অদুগী পাউখুম ওইনা পীরকখিবনি হায়রি।

HL/B/6425/1 to 29 Oct. alt.

Every pregnant women should get tested for HIV during the first 3 months of pregnancy to prevent HIV transmission to their child.
HIV test is available free of cost at Integrated Counseling & Testing Centre (ICTC) at all govt health facility & nursing homes.
For more information call AIDS helpline no
1097
MACS
NACO